Refreshingly Readable
HL
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ

সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কোংগ্রেস ওফিস এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট টি এন হাওকিপনা রিবন কক্তুনা হাংদোকখিবগী শক্তম

লামায় ৪

গুরুময়ুম জিতেশ্বর শর্ম্মা অমসুং টি ঐচ সটিশকী মীহাৎপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খুরাই নান্দেবম লৈকায়দা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফম্বগী শক্তম

লামায় ৩

জেনিমসকী সিনিয়র রেসিদেন্ট ডোক্টর-শিংগী সর্ভিস রুল শেম্বীদবগী মায়োক্তা ডোক্টরশিংনা ইন্সটিট্যুট অসিগী কেম্পসতা প্রোটেষ্ট তৌখিবগী শক্তম

লামায় ৩

ফ্রেমৱার্ক এগ্রী-মেন্টকী মায়োক্তা সেঞ্জম খুনৌ দিভলপমেন্ট ক্লব অমসুং সেঞ্জম খুনৌ অপূনবা নুপী লূপনা চথখিবা ৱাকৎ মীফমগী শক্তম

লামায় ৩

Vol. 42, Issue No.151 | ইরাই, থৱান ১৩নি পানবা, | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, August 24, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৭৫.৭৮
দীজল : লিটরদা লুপা ৬৭.১৮

মীওই অনী ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): থাঙ্গাল কৈথেলগী য়ু সী ও বেঙ্ক মনাক্তা থা অসিগী ২১ গী নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী পর্সনেলশিংনা থি-হুন্বগী থবক চথবদা দুকানশিংদা শেল খায়রম্বা মীওই অনী ফারে হায়রি।

ফারবা মীওইশিং অদুদি, কোন্থৌজম মমাং লৈকায়দগী হৈস্নাম দিনাকুমার এলিয়জ কুমার (৩৪) অপোকপা ঐচ গুনেশ্বর, অৱাং খুনৌদগী খুমন্থেম চন্দ্রমনি (৪৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা কেঐচ থম্বালঙৌনি। মখোয়দগী অঙাংবা মচুগী অলতো কার (এএস১০এ ০৪৪৩) অমদি চে-চাং খরসু ফঙলে হায়রি। পুলিসনা ফারবা হৈস্নাম দিনাকুমারদা ৱাহং পাউহং চথবদা মহাক অকোম লুপ কংলৈপাক্কী ফাইনান্স সেক্রেটরিনি হায়বা খঙবা ঙম্লে। খুমন্থেম চন্দ্রমনিনা অকোম লুপ কংলৈপাক্কী প্রসিদেন্টনি হায়রি। মখোয় অনী সিটি পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌখ্রে হায়না পুলিসকী চেরোল অমনা হায়রি।

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	৩০.৯ °C	২৪.০৬ °C
চান্দেল	৩৩.২৪ °C	২০.৩২ °C
সীসীপুর	৩২.৬১ °C	২২.১৯ °C
ইম্ফাল	৩২.৭২ °C	২৩.৩২ °C
সেনাপতি	৩১.৪৫ °C	১৭.৬ °C
তমেংলোং	৩৭.১ °C	২০.২৩ °C
থৌবাল	৩৪.৬৩ °C	২২.৫৪ °C
উখ্রুল	২৫.১৮ °C	১৭.৫৬ °C
মণিপুর	৩৭.১ °C	১৭.৫৬ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৪.৯৯ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৫২
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪২
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	81.206889
US Dollar	70.098931
British Pound	90.389190
Australian Dollar	51.123693
Chinese Yuan Renminbi	10.197859
Japanese Yen	0.632765
Malaysian Ringgit	17.060942
Norwegian Krone	8.416065
Singapore Dollar	51.181208
South Korean Won	0.062476
Swedish Krona	7.724739
Turkish Lira	11.560520
Myanmar Kyat	0.04625
Bangladesh Taka	0.83613

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 30224.60
Mumbai	–	Rs 31016.04
Delhi	–	Rs 30909.09
Kolkata	–	Rs 31187.17

HL POLL

Q : MU numit 85 thong lonlubadu MUSA amasung MUTA gi thoumeesingsu chaona mangjei haina khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Khuyek pinakhraba framework agreement bu kabak - kabak langlaga honghanba ngamgani khanbra?

Yes 14% No 86%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

অস! লোইরেহে!

যুরিয়া য়েন্নি হায়বা এম এল এদু লাক্লেনে তৌরিসে...!



যুরিয়াগী এজেন্টসু ওইরব্রো !

আই-এমগী পিছ প্রোসেসকী জোইন্ট রিভিয়ু মীফম সেনাপটিদা ফমখ্রে

ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী ৱারোইশিন থিন্থরকপদা পেন্দবা ফোঙদোক্লখ্রে

সেনাপটি, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): হৌজিক চথরিবা ইন্দো-নাগা পিছ প্রোসেসকী জোইন্ট রিভিয়ু মীফম অমা ঙসি সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী টি এন কে কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে অমসুং ইন্দো-নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী ৱারোইশিন পুরকপদা কা হেন্না থেংথবগী ফীভমদা পেন্দবা ফোঙদোকপা য়াওনা পোইন্ট খরগী দিক্লারেসন অমা ফোঙখ্রে।



JOINT REVIEW MEETING ON INDO-NAGA PEACE PROCESS
Organised by : United Naga Council (UNC)
Under the aegis of Naga Hoho
Venue : TNK Community Hall, Senapati Village, South Nagaland
Date : 23 August, 2018
Time : 00 am

প্রোগ্রাম অদু নাগা হোহোগী মীৎয়েং মখাদা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলনা শীন-লাংদুনা পাঙথোকখিবনি। য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলগী হৌজিক্কী অমসুং মমাংগী এগজিক্যুটিবশিং, ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন মণিপুর, নাগা ৱিমেন্স য়ুনিয়ন, নাগা পিপলস মুভমেন্ট ফোর হ্যুমেন রাইটস, ষ্টেট অসিগী নাগা ট্রাইব পুম্নমক্কী প্রসিদেন্টশিং, য়ু এন সীগী সিনিয়র এদভাইজরশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট মরি- চান্দেল, সেনাপটি, তমেংলোং অমসুং উখ্রুলগী নাগা লীদরশিং য়াওনা দেলিগেট ৫০০ রোম্না প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখি। প্রোগ্রাম হৌদ্রিঙৈগী মমাংদা সাইলেন্ট প্রেয়র অমা পাঙথোক্তুনা নেসনল সোসিএলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিমগী চেয়রমেন ওইরম্বা আইজাক চিসি সুদা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

য়ু এন সীগী প্রসিদেন্ট গাইদোন কামৈনা ৱেলকম অমসুং কি-নোট এদ্রেস পীখি অমসুং নাগা হোহোগী প্রসিদেন্ট চুবা ওজুকুমনা প্রোগ্রামদুগী মনুংদা ইন্দো-নাগা পিছ প্রোসেস রিভিয়ুগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। মেম্বরশিংনা ঙাইহাক ইন্টরেক্সন চথরবা মতুংদা হাউসনা মোত অমত্তা ওইনা পোইন্ট খরদা য়ানদুনা দিক্লারেসন অমা ইস্যু তৌখি। অহানবদা নাগা মীয়াম্না নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা মপানগী ফোর্সশিংগী ঈথিল য়াওদনা ভিলেজ রিপব্লিক অমদা লৈরকখি। নাগা ভিলেজ খুদিংমক ট্রেদিসনেল অমসুং কষ্টমরি লোশিংনা গভর্ণ তৌখি। লোয়ননা ৱায়েল থৌদা চথখি হায়না মীফম অদুদা য়ানদুনা লাউথোকখি। অনীশুবা পোইন্ট ওইনা দিকেদ কয়া মরোমদোম লেপচনবগীদমক খূৎলায় পায়দুনা লেপ্তুনা ষ্ট্রগল তৌরকখ্রবা মতুং কুমজা ১৯৯৭ কী জুলাই ২৫ দা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এনগী মরক্তা অনীশুবা ইন্দো-নাগা সিজ ফায়র এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখি অমসুং মদু চহী অদুগী ওগষ্ট ১ দগী চৎনবা হৌখি। হিষ্টরিক ইন্দো-নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টসু মতম শাংলক্লবা ইন্দো-নাগা পোলিটিকেল ইস্যু লৈখায় তাথোক্লবগীদমক্তা নাকল অনীগী মরক্তা কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩ দা খূৎয়েক পীনখি হায়বা ৱাফম য়ানখি। অদুমওইনমক, ঙসিগী জোইন্ট রিভিয়ু মীফম অদুনা লৈরিবা ফীভম হকচিন্না অমসুং কুপ্না খন্নখিবগা লোয়ননা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

বাজপায়ীগী উৎ ইম্ফাল তুরেলগী ঈচেলদা তিলহনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা ভারত রত্ন অতল বিহারি বাজপায়ীগী পোৎলোইবগী উৎ ঙসি ইম্ফালদা পুরক্তুনা লৈ-শু কৎলগা প্রেয়র মীটিং তৌদুনা ইকায় খুম্নবা উৎলবা তুংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা সঞ্জেন্থোং মপাগী ইম্ফাল তুরেলদা থাদখ্রে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং মিনিট ২০ লোম চৎপদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট ভবানন্দনা বাজপায়ী পোৎলোইবগী উৎ অদু পুরক্তুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিস্বজিৎ য়াওনা বি জে পিগী থৌমী কয়ানা ওকখি। বি জে পি মণিপুরগী প্রসিদেন্টনা উৎ অদু ৱার্ক্স মিনিষ্টর বিস্বজিৎতা খূৎশিন্নরবা মতুংদা অতলগী শক্তম হাপ্তুনা নীংথিনা লৈতেংলবা গাড়ীদা হাপকৎখি। লৈ-শু কয়া হাপ্তুনা লৈতেংলবা গাড়ী অদুদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর বিস্বজিৎ, বি জে পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ভবানন্দ য়াওনা তোংলগা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী রেল্লি লাকখি। রেল্লি অদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী কৈশাম্পাৎ জঙ্কসন য়ৌরবা মতুং ময়াই লম্বীদা মখা পাংনা থৌরগা পিশুমদগী শিংজমৈ চীংঙা মখোঙলোমদা চৎলগা মোইরাং-খোমলোমদা হাইগৎলক্লগা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিস তম্না লাকখি। বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতা থুংলবা তুংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন অমদি বি জে পি মণিপুরগী প্রসিদেন্টনা লুচিংদুনা মফম অদুদা অতল বিহারি বাজপায়ী পোৎলোইবগী উৎতা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুম্নখি। মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং অমদি বি জে পিগী থৌমী কয়াসু লৈ-শু কৎপা অদুদা শরুক য়াখি।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতা লৈ-শু কৎলবা মতুংদা পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট ভবানন্দনা উৎ য়াওবা কোন অদু চীফ মিনিষ্টরদা শীন্নরবা মতুংদা সী এমনা কোন অদু পায়রগা বি জে পিগী থৌমীশিং, মিনিষ্টরশিং অমদি এম এল এশিংগা লোয়ননা খোঙচৎ ওইনা পার্টি ওফিসতগী খোঙশাল্লকখি। পার্টি ওফিসতগী লাকখিবা খোঙচৎ অদুনা সঞ্জেন্থোং লাল্লক্লবা মতুং কোনুং মমাং তারগা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা থুংদুনা মফম অদুদা পব্লিক প্রেয়র মীটিং পাঙথোকখি। মফম অদুদা মণিপুরগী গভর্ণর ডো. নজমা হেপ্তুলা, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন য়াওনা অতল বিহারি বাজপায়ীগী পোৎলোইবগী উৎতা লৈ-শু কৎখি।

পব্লিক প্রেয়র মীটিং অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মণিপুরগী গভর্ণর ডো. নজমা হেপ্তুলানা হায়খি, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা অতল বিহারি বাজপায়ীনা হিংলিঙৈ মতমদা তৌরম্বা থবক কয়া অসি নীংশিংবা তঙাইফদে। লৈখিদ্রবা বাজপায়ী কম্মিটমেন্ট লৈবা অশেংবা মীওইবা অমনি। লুচিংবা অসিদগী পোলিটিক্স তমহৌই। প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা অতল বিহারি বাজপায়ীনা লৈবাক অসিগী তৌরম্বা থবক শীংথাবদা লোইবা নাইররোই।

অতল বিহারি বাজপায়ীনা চৎলম্বা অশেংবা দেমোক্রেসি অমদি পূকচেল শেংবা লম্বী অদু তুংইল্লবা মতমদতা লুচিংবা অসিগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎপগী ৱাহন্থোক লৈগনি। মহাক্কী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎপা পাল্লবদি মহাক্কী লম্বী অদুদা তুংইনবা তঙাইফদে। রাজ্য সভাগী দেপ্যুটি

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

কক্লুরবা ফিনুংগী কয়াৎ রিমস হোস্পিটালদা শমজিনবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী প্লাষ্টিক সর্জরি দিপার্টমেন্টতা দোক্তরশিংগী টিম অমনা মশাগী চহী ৫৭ শুরবা নুপা অমগী কক্লুরবা ফিনুংগী কয়াৎ পুং ৪ চঙনা হোৎনরগা হান্নগী মতৌগুম শমজিনবা ঙমখ্রে।

রিমস হোস্পিটালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট, প্রোফেসর সী ঐচ অরুনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, পুক্লিং-ৱাখলগী লায়না লৈরবা মীওই অমা চাং নাইনা হীদাক চাদবা মরম্না ৱাখল চোইবা হেঞ্জিল্লকপদগী হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুংথিল পুং ৫ তাবদা অথৌবা খুৎলায় অমা পায়রগা মশা মথন্তা ফিনুংগী কয়াৎ ককথৎচখি। খুদক্তা মহাকপু মনাক নকপা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎখি। অদুবু দোক্তরশিংনা মীওই অদু টর্টিয়রি ক্যেরগী খুদোংচাবা লৈবা হোস্পিটাল অমদা রিফর তৌরকখি। নুমিদাং পুং ৭ তারকপা মতমদা মীওই অদু রিমস হোস্পিটালদা পুখৎলবা মতুংদা প্লাষ্টিক সর্জরি দিপার্টমেন্টকী দোক্তরশিংনা ককখ্রবা ফিনুংগী কয়াৎ অদু নৌনা অমুক

...মখা লামায় ৩ কলম১

এম য়ুগী রেজিষ্ট্রার মফম লৌথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী অদ্য প্রসাদ পান্দেগা খ্বাইদগী নকশিন্নরা থবক তৌরম্বা রেজিষ্ট্রার ইন-চার্জ প্রো. শ্যামকেশো য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর (ইন-চার্জ) দল্লিয়ু বিশ্বনাথনা থোকখিবা য়াথং অমনা থবক্তগী লৌথোকখ্রে।

য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভি সী ইন-চার্জনা ঙসি থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না য়ুনিভর্সিটি অসিগী রেজিষ্ট্রার ইন-চার্জগী থবক আই ক্যু এ সীগী দিরেক্টর প্রো. এস ঐচ দোরেন্দ্রজিৎনা মহাক্কী মহৌশাগী থবক

...মখা লামায় ৩ কলম ১

www.rimt.ac.in
RIMT UNIVERSITY
education for life
APPLIED SCIENCES
B.Sc | M.Sc | B.Sc Hons.
- Chemistry
- Physics
- Mathematics
- Botany
- Microbiology
- Biotechnology
- Zoology
- Medical
- Non-Medical
- Forensic Sciences
AGRICULTURE
Diploma | B.Sc | M.Sc
- Agriculture
- Food Technology & Quality Control
- Fisheries
- Nutrition & Dietetics
- Dairy Technology
PARA-MEDICAL
BPT Bachelor of Physiotherapy
BMLT Bachelor in Medical Lab. Technology
DPT Diploma of Physiotherapy
DMLT Diploma in Medical Lab. Technology
ENGINEERING
B.TECH
Civil Engg., Computer Science Engg., Mechanical Engg., Electronics & Comm. Engg., Electrical Engg., Automobile
OTHER COURSES: MANAGEMENT | HOTEL MANAGEMENT | POLYTECHNIC | HUMANITIES | EDUCATION | COMPUTER APPLICATIONS | COMMERCE | PHARMACY | ARCHITECTURE | DESIGN | LAW | JOURNALISM & MASS COMMUNICATION
Toll Free: 1800 137 0022 | HELPLINE: 8725885838 / 9402610616
RIMT UNIVERSITY, Sirhind Side, Mandi Gobindgarh - 147301, Punjab
HL-P/3468/21-25

LOAN AVAILABLE
AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur
- Vehicle Loan
- Pension Loan
- Service Loan
- T.V. Loan
হায়রিবা শিং অসি অরাইবা মঙদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি ।
100% Free Processing (Vehicle Only)
IMPHAL FINANCE CO-OP THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O: Loklaobung · B.O. M.G. Avenue, Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in
HL-P/5255/21/08-20/09

Mahindra Rise
Truck and Bus
মাইলেজ, সর্ভিস অমসুং স্পেয়র, পুম্নমক্তা গরেন্তী পীজরি ।
মণিপুরদা লৌনা হাংদোক্লবা ঐখোয়গী দীলরশিপ মেসর্স এন.আর. মোতোর্সতা মহিন্দ্র ত্রক অমসুং বসকী মখল খুদিংমক ফংবীগনি ।
THE NEW MAHINDRA BLAZO
1800 315 7799
অনৌবা দীলরশিপ
মেসর্স এন.আর. মোতোর্স
এম.জি. এভেন্যু, খ্বাইরমবন্দ বাজার, শাহীদ মীনার মনাক, ইম্ফাল (৫৪), মণিপুর - 795001
HL-B/4811/24

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫